# মহৈলোইশঙশিংদা ভগবত গীতা শোয়দনা তম্বীনবগী বিল লোক সভাদা পুখৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১০ (এজেন্সী):

লোক সভাদা ঙসি প্রাইভেট মেম্বরস বিল ১০৩ পুথোকখ্রে। বিলশিং অদুগী মনুংদা ভগবত গীতাবু মহৈলোইশঙশিংদা কম্পলসরি ওইনা তম্বীনবগী ৱাফম য়াওবা বিল অমা য়াওখি।

বি জে পিগী মেম্বর রামেশ বিধুরিনা ভগবত গীতাগী প্রাইভেট মেম্বরস বিল অদু পুখৎখিবনি। মীয়াম তিনবা মফমবু লু-নান্না লৈহন্নবগী পান্দমদা বি জে পিগী অতোপ্পা মেম্বর মহেশ গীরিনা মেন্টেনেন্স ওফ ক্লিনলিনেস বিল, ২০১৬ পুখৎখি। বিল অসিগী মতুংইন্না পব্লিক প্লেসতা মপান থোকচিনবা, তিল শীৎতোকপা অমসুং অমোৎ-অকায় লংথোকপা য়াহল্লোইদৌরি।

বি জে পিগী নিশিকান্ত দুবেনা লৈবাক অসিগী নহারোলশিংবু হীরম খুদিংমক্তা মপুং ফানা শেমগৎনবগী মতাংদা প্রাইভেট মেম্বর বিল অমা পুথোকখি। নুপীশিংগী মায়োক্তা চথুবা ক্রাইমগা মরী লৈনবা ট্রাইএল খোঙজেল য়াংনা চথুনবগী পান্দমদা এন সী পিগী সুপ্রিয়া সুলেনা স্পেসল কোর্ট ফোর ট্রাইএল ওফ ওফেন্সেস এগেনষ্ট ৱিমেন বিল, ২০১৬ পুথোকখি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসকী রঞ্জিৎ রঞ্জননা লুহোংবদা শেল কা হেন্না চঙহন্দনবগী পান্দমদা বিল অমা পুথোকখি। বিল অদুগী মতুংইন্না লুহোংবগী থৌরম খুদিংমক ইচম-চম্না পাঙথোকপগা লোয়নননা কান্নদবদা কা হেন্না শেল চাদিং তৌবা থিংলগনি হায়রি।

লোক সভানা ঙরাং মেটর্নিটি বেনিফিটস (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৬ পাস তৌখিবগা লোয়নননা থবক তৌবী নুপীশিংগী মেটর্নিটি লিভ চয়োল ২৬ তা হেনগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রবনি। মমাঙ চহীগী ওগষ্টতা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা রাজ্য সভানা বিল অসি পাস তৌবা লৈখ্রে।

ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা পুখৎলকখিবা বিল অসিগী মতুংইন্না হৌজিক-হৌজিক নুপীশিংনা অঙাং উন্নবদা মেটর্নিটি বেনিফিটস চয়োল ১২ ফংলিবা অসি চয়োল ২৬ তা হেনগৎহল্লগনি। থৌরাং অসিনা ওর্গনাইজ সেক্টরদা থবক তৌরিবী নুপী মিলিয়ন ১.৮ দা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

এমেন্দ তৌরবা লো অসি মীওই ১০ নৎত্রগা মসিদগী হেন্না থবক তৌবা ইষ্টাব্লিশমেন্ট খুদিংমক্তা চৎনগনি হায়রি। বিল অসি এক্টতা ওন্থোক্তুনা চৎনবা হেক হৌবগা মেটর্নিটি বেনিফিট খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা অহুমশুবদা লৈরগনি।

হৌজিক-হৌজিক কেনাদানা চয়োল ৫০ অমসুং নোরৱেনা চয়োল ৪৪ মেটর্নিটি লিভ পীদুনা নুপীশিং অঙাং উন্নবদা ছুটি খ্বাইদগী শাংনা পীবা লৈবাক ওইরি।

মেটর্নিটি বেনিফিটস এক্ট, ১৯৬১ না থবক তৌবী নুপীশিংবু অঙাং উন্নবা মতমদা নৌনা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং অদু শেন্ননবগীদমক তোলোপ পীরগা ছুটি লৌহনবগী খুদোংচাবা ফংহল্লি।

মমাঙ চহীগী ওগষ্ট থাদা রাজ্য সভানা মেটর্নিটি বেনিফিটস (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৬ পাস তৌখিবা মতমদা মেম্বর খরনা মপা ওইবশিংদসু ছুটি ফংহন্নবগীদমক পেটর্নিটি লিভ পীবগী ৱাফম হৌদোরকখি। অঙাং অমা য়োকপদা মমা-মপা অনীমক্কী থৌদাং লৈবা মরম্না মমা খক্তা ছুটি পীবগী মহুৎতা মপাসু ছুটি পীবা মথৌ তাই হায়না মেম্বর খরনা পুখৎলকখি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনদি হান্নদগী হৌনা সার্ভিস রুল শেমদোক্তুনা ইমপ্লোয়ীশিংদা চয়োল ২৬ কী মেটর্নিটি লিভ পীবা লৈখ্রবনি।

লোক সভানা পাস তৌখিবা এমেন্দমেন্ট বিল অদুগী মতুংইন্না কনাগুম্বা নুপী অমনা থা অহুম শুদ্রিবা অঙাং অমা মচা শক্না য়োকপা তারবসু চয়োল ১২গী ছুটি ফংহনগদৌরি।

অহানবগী অঙাং অনী ফাওবা পোকপা মতমদা খুদোংচাবা অসি ফংহনগনি। অহুমশুবা অঙাং উন্নবা মতমদদি চয়োল ১২ দগী হেন্না ছুটি পীরোই হায়রি।

নুপীশিংদা পীবা মেটর্নিটি লিভকী মতম চয়োল ১২ দগী ২৬ তা হেনগৎহন্নবগী মতাংদা বিল অমা পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখিবগী থৌওং অদু নীংশিংনিংঙাই ওইবা মীৎকুপনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখি।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি, নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপগা লোয়নননা খুদোংচাবা কয়া ফংহন্দুনা লৈবাক চাউখৎহনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌহন্নবগী পান্দমদা পার্লিয়ামেন্টনা বিল অমা পাস তৌখিবা থৌওং অদু শীংথানিংঙাইনি।

মেটর্নিটি বেনিফিটস এমেন্দমেন্ট বিলনা মরম ওইরগা থবক তৌরিবী নুপীশিংদা খুদোংচাবা কয়ামরুম ফংহনবা ঙম্লগনি। নুপী অমনা থবক মফমদা লাক্ত্রবসু মযুমদা লৈনা-লৈনা ওফিসকী থবক তৌবা ঙম্লবদি হীরম অসিগী মতাংদা অয়াবা পীনবগী ৱাফমসু নৌনা পাস তৌখিবা বিল অদুদা য়াওরি। মরম অদুনা বিল অসি এক্টতা হেক ওন্থোকপগা থবক তৌবী নুপীশিংদা চাওনা খুদোংচাবা ফংহনবা ঙম্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, এপ্রিল ১ দগী হৌনা মিনিষ্ট্রিশিংনা ফন্দ শীজিন্নবা য়ানবগীদমক মার্চ ৩১ মমাঙদা পার্লিয়ামেন্টনা ফাইনান্স বিল পাস তৌরগনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# পনিরসেলবম শৌগৎপা এ আই এ দি এম কেগী এম পিশিং লোক সভাদগী মপান থোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১০ (এজেন্সী):

টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বী জে জয়াললিতা শিখিবগী মতাংদা খন্ননবা ৱাফম পুখৎলকপদা অয়াবা পীখিদবগীদমক এ আই এ দি এম কেগী মেম্বর ৮ লোক সভাদগী মপান থোকখ্রে।



হাউসকী মীফম হেক হৌবগা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও পনিরসেলবমগা নক্নবা এ আই এ দি এম কেগী মেম্বরশিংনা স্পিকর সুমিত্রা মহাজনগী পোদিয়ম মনাক্তা স্লোগান লাউদুনা চঙশিল্লকখি অমসুং জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা সী বি আইবু থিগৎহনগদবনি হায়না তকশিনখি।

মতম শাংনা লায়কন্নরল্লগা হৌখিবা দিসেম্বর ৫ দা য়াম্না থাজদবা মওংদা জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা অচুম্বা লংলা-লংজিন পুথোক্কদবনি হায়না নুপী এম পি অনী য়াওনা এ আই এ দি এম কেগী মেম্বরশিংনা তকশিনখি। এম পিশিংনা জয়াললিতাগী অয়েকপা শক্তম য়াওবা প্লে কার্দ কয়াসু পায়খি। মতৌ অসুম্না চরাংনবা থোরকপদগী স্পিকর সুমিত্রা মহাজননা পুং ১১.২০ ফাওবা হাউসকী মীফম য়ৈথোকখি। অমুক হন্না হাউসকী মীফম হৌগৎলকপদা এ আই এ দি এম কেগী মেম্বরশিংনা জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা খন্ননবগীদমক এদজোর্নমেন্ট মোসন অমা পুখৎপগী অয়াবা পীবীয়ু হায়না তকশিল্লকখি।

জয়াললিতা লৈখিদ্রবা মতুংদা এ আই এ দি এম কে মচেৎ তারকখিবগা লোয়নননা কাঙলূপ অমনা পনিরসেলবম শৌগৎখি অমসুং অতোপ্পা কাঙলূপ অমনা চীফ মিনিষ্টর ঈ পালানিস্বামি শৌগৎখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ও পনিরসেলবম অমদি মহাক্কী তুংইনবশিংনা জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা জুদিসল ইনক্বারি চথুগদবনি হায়না তকশিল্লদুনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবা লৈখ্রবনি।

টামিল নাদু, পুদুচেরি অমদি করাইকালগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরস খুদিংমক্তা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখি। নোংমগী ওইবা খোঙজং অদু অয়ুক পুং ৯ দগী হৌরগা নুংথিল পুং ৫ ফাওবা চথুখি।

খোঙজং অদুদা পনিরসেলবমগী কাঙলূপ্তা লৈবা এ আই এ দি এম কেগী এম পিশিং অমসুং লেজিসলেটরশিংসু শরুক য়াখি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর জয়াললিতানা এপোলো হোস্পিটালদা নুমিৎ ৭৫নি লায়েংদুনা লৈরম্লবা মতুংদা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা হৌখিবা দিসেম্বর ৫ দা লৈখিদবগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎকদবনি হায়না পনিরসেলবম অমদি মহাক্কী তুংইনবশিংনা তকশিনখি।

মমাঙদা পনিরসেলবমনা ক্যেরটেক্কর চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা জয়াললিতা লৈখিদবগী মরম খঙদোক্নবা জুদিসল ইনক্বারি চথুনবা য়াথং পীবা লৈখ্রবনি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)না টামিল নাদুগী লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর জে জয়াললিতাগা মরী লৈনবা মেদিকেল রিপোর্ট পুম্নমক ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা খুৎশিন্নবা লৈখ্রবনি। এইমসকী দোক্টরশিংনা চেন্নাইদা লাক্তুনা জয়াললিতাগী হকচাংগী ফীভম য়েংশিনখিবগী অকুপ্পা ৱারোল পুম্নমকসু পীশিনখিবা রিপোর্ট অদুদা য়াওরম্মী।





**BYS**

Palace Compound (Macha Leima School)
# 9863284750/ 9856088990

**ADMISSION OPEN**

CLASS - X FOUNDATION COURSE (BOSEM) EVENING BATCH
STARTING ON MARCH 09, 2017. CLASS TIMING: 4.30PM to 7.30PM

HL-B/3619/7,9,11,17,19,21 Mar.

**ADVANCED COACHING INSTITUTE** Regd. No.-729

Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road

*Only30 Seats per class(each section)* — *Max. no. of selection every year in min. no. of intakes*

**REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE (2017)**

*The Largest,Trusted&Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.&Arts*

COHSEM — Sc. & ARTS

*Class XII Arts (COHSEM) 13th April(2nd batch)*
*Class XII Arts(CBSE) 13th April(1st batch)* — ARTS & Sc. — CBSE
*CLASS xii Sc.(COHSEM) 13th April(2nd batch)*
*Class XII Sc.(CBSE) 13th April (1st batch)*
*CLASS IX,X (BOSEM) 23rd March ,5th April*
*Foundation Course*
*CLASS IX,X (CBSE) 15th April(1st batch)*

*Wanted one female warden and cook*

Time: 4.40-7.40pm
Time: 4.30-7.40am

Separated boys,girls hostel,van service,library facility #7308911167/9862992105

HL-B/3681/1902-18/03 (Alt)

# THANKSGIVING!

On behalf of the Election Commission of India, Office of the Chief Electoral Officer, Manipur express gratitude to every voter of Manipur who have exercised their franchise in the 11th Legislative Assembly Election- 2017 and for making this FESTIVAL OF DEMOCRACY a Grand Success !

- We acknowledge the help and support extended by all the Political Parties and Contesting Candidates, Polling and Counting Agents, Civil Society Organisations.
- All the DEOs, ROs, AROs, District Nodal Officers, Sector Officers, Election Officials, Booth Level Officers, Volunteers of Voter Assistance Booths.
- All the SPs, Army, Assam Rifles, Central Paramilitary Forces, Security Personnel.
- All the Observers & Micro-Observers, State Nodal Officers, OSDs.
- We appreciate the efforts and support given by Expenditure Monitoring Teams, Media Monitoring Teams, Surveillance Teams, Flying Squads, Income Tax Investigation Teams, Fire Safety Teams, MCC Monitoring Team.
- DIPR, AMWJU, Editors' Guild Manipur, AIR, DDK, all the Media Houses (Both Print & Electronics).
- All the Administrative Secretaries & Heads of Departmenst, Transporters, Drivers.
- Officers & Staff of Chief Electoral Officer's Office, Manipur.

Office of the Chief Electoral Officer, Manipur also condoles the unfortunate demise of (I) Shri (L) Tiangchangliangna, Contable Number 375, II IRB, Mizoram and (ii) Shri (L) Ramkating, Assistant Teacher, Ukhrul District, Manipur on Election Duty shared the sorrow of the bereaved family.

This office also appreciates extraordinary courage shown by (I)Shri Ramsen Jojo, Rifleman (GD) and(ii) Shri Ravi Basnet, Rifleman (GD) who sustained injuries while carrying out their duty.

## NEW INITIATIVES TAKEN UP IN STATE ASSEMBLY ELECTION 2017

- Webcasting carried out in all 1549 polling stations and Video Streaming in 1245 Polling Stations.
- Use of VVPAT Machines in 6 ACs for the 1st time in Manipur
- Assured Minimum Facility (AMF) for every PWD Voter
- All women dedicated polling personnel at selected polling stations accross the state
- Extensive use of Social Media to attract yound voters
- Colourful Voter Guide to inform voters about the voting procedure
- e-TPBS electronic transmission of postal ballot system in two ACs
- Monitoring of Paid News with the help of PCI
- Issue of photo Voter Slips to every voter ahead of Poll Day to prevent proxy voting
- Increase in the height of Voting Compartment to make voting a secrecy
- Discouraged the use of plastics while campaigning for an environment friendly election
- Successful implementation of IT initiative like SUGAM, SUVIDHA, SAMADHAN
- Successful SVEEP Campaign thoughout the state with maximum participations.
- Launch of Manipur Specific App called "E-Manipur Election App" for facilitating voters
- Poll Star App used for instant compilation of Poll Percentage & Vote Count Figure

**Congratulations to all who made it a grand success !**
**We acknowledge your hard work and dedication !**

HL-B/3758/11